# স্পাই বেলুনগা মরী লৈননা য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কনগী চাইনা খোঙচৎ য়েথোকখ্রে

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারী ৪ (এজেন্সী):
খঙহৌদনা উংখৎনবা খঙহেন হেনগৎলকপগী খোঙথাং অমদা অমেরিকাদা চাইনিজ সর্ভিলেন্স বেলুন অমা পাইহনখিবগা মরী লৈননা য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কনগী বৈজিং খোঙচৎ য়েথোকখ্রে।

সর্ভিলেন্স বেলূন অমা চাইনানা থাগৎতুনা পাইহনখিবদা য়ুএসকী সোভরেন্টি অমসুং ইন্টরনেসনেল লোশিং খোঙ্গাওনবগী ময়েক লারবা খুদম চাংদম অমনি অমসুং অসিগুম্বা থৌওং য়ানিংঙাই ওইদে হায়রদুনা য়ুএসনা ব্লিঙ্কনগী বৈজিং খোঙচৎ য়েথোকখিবনি।

ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা হাথু হাথু কৌখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী সেনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, মদুদি সর্ভিলেন্স বেলুন অমা পাইহল্লকখিবগী মতাংদা চাইনিজ গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তগী নুংনাংবা ফোঙদোরকখিবদু ঐখোয়না খঙলে। তৌইগুম্বসুং সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটকী বৈজিং খোঙচৎ অদু শুপ্ন গী য়েথোকখিবদনি। মদু কেন্সেল তৌবদি লৈতে।



সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা চান্নবা ফিভমশিং লাকপগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মহাক্কী চাইনা খোঙচৎ পাঙথোক্কনি। হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা পাঙথোকখিবা জি-২০ গী সম্মিটতা প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং চাইনাগী সি জিনপিংগী মরক্তা অহানবা ওইনা মশা মশা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবগী মতুং তারকপা ওইনা ব্লিঙ্কননা ইরাই নুমিত্তা চাইনানা চৎতুনা মখল মখা কয়াগী হিরমশিংদা ৱারী শান্ননবা থৌরাং তৌরম্বনি। ব্লিঙ্কননা চাইনাগী মহাক্কী লেঙমান্নবা ৱাংয়িদা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা লৌখিবা ৱারেপ অদু খঙহনখ্রে হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

অমেরিকাদা সর্ভিলেন্স চাইনিজ বেলুন অমা পাইখিবদগী লাক্লিবা টেন্সন কোকহন্নবা হোৎনগদবনি। বৈজিংনা নুংনাংবা উৎখি অমসুং এয়র শিপ অমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা বেলুন অদু মেটিওরোলোজিকেল অমসুং অতৈ সাইন্টিফিক রিছার্সতা শীজিন্নবা সিভিলিয়ন নেচরগী পোৎনি হায়খি। ৱেষ্টর্লি নুংশিৎকী শাফুনা মরম ওইদুনা অমসুং মদুগী কন্ট্রোল কেপেবিলিটি লিমিটেদ ওইবনা এয়রশিপ অদু মশাগী চৎফম থোকপা লম্বীদগী থৈখিবনি হায়না বৈজিংনা বেলুন অদুগা মরী লৈনবা শেঙদোক ৱারোলদা পনখি।


চাইনাগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা নুংনাংবা ফোঙদোক্লিবদুনা মতিক চারে হায়না লৌৱ্রা হায়বা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ওফিসল অসিনা হায়খি, মদুদি পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা নুংনাংবা উৎপগী ৱারোল অদু ঐখোয়না খঙলে। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা বেলুন অমা ঐখোয়গী এয়র স্পেসতা চঙলকপা হায়বসি য়াফম থোক্তে অমসুং মসি ঐখোয়গী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনবগী ময়েক শেংলবা থৌদোক্লি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা বৈজিংগী খোঙচৎ অমা পাঙথোকপা হায়বসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইরোই হায়না ঐখোয়না লৌই। তৌইগুম্বসুং ওফিসল অসিনা মসি তশেংনমক খোঙচৎ অদু য়েথোকপনি হায়না লৌনিংঙাইসু ওইদে হায়না পনবগা লোয়ননা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা খুদোংচাবা হেক ফঙবগা য়াম্না থুনা বৈজিংগী খোঙচৎ অদু পাঙথোক্লগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুএসকী মায়কৈদগী স্পাই বেলুন অদুগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা লেভেলশিংদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংদা খঙহন্দুনা য়ানিংদবা উৎখ্রবনি।

# নাটোনা রসিয়াদা য়ুএসকা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী পেক্ট ইকায় খুম্নবা তকশিনখ্রে

ব্রসেলস, ফেব্রুৱারী ৪ (এজেন্সী):
ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং মখা তানা শন্দোকহনবদা অথিংবা লৈহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা য়ানখিবা অমত্তা ঙাইরবা ট্রিটি ইকায় খুম্নবা নাটোনা ইরাই নুমিত্তা রসিয়াদা তকশিনখ্রে অমসুং মোস্কোনা মিলিটরি সাইটশিংগী গ্রাউন্দ ইন্সপেক্সনশিং অমুক হৌহনবা য়াহনগদবনি হায়খ্রে।



ন্যু ষ্টার্ট ট্রিটি কৌবা পেক্ট অদু কুমজা ২০১০ দা রসিয়া অমসুং য়ুএসকী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবনি। ট্রিটি অদুনা লৈবাক অনীনা দিপ্লোই তৌবা য়াবা অশানবা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিংগী মশিং ১৫৫০ দা পনখৈ লৈহনবগা লোয়ননা এটোমিক খুৎলায়শিং পুবা ঙম্বা মিসাইলশিং শীজিন্নবগী পনখৈসু থম্মী।

ট্রিটি অদুনা অমনা অমদা নোটিস পীনদুনা অমনা অমগী ন্যুক্লিয়র বেজ শিং অমসুং সপোর্ট ফেসিলিটিশিং য়েংবসু য়াহল্লি।

নাটোগী এম্বেসেদরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি অনৌবা ষ্টার্ট ট্রিটিগী মখাদা রসিয়ানা ইনফম থোকপা য়ানখিবা ৱাফমশিং ইল্লক্তবা অসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই। য়ুএসনা লুচিংবা লৈবাক ৩০ গী ওইবা মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিনা ট্রিটি অদুবু শৌগৎলি অমসুং মদুনা ন্যুক্লিয়র ফোর্সশিং হেন্না য়ামখৎহনবা অমদি শন্দোকহনবদা পনখৈ লৈহনবদা মতেং পাঙই হায়না এল্লায়ন্স অসিনা থাজে।

এনভোইশিং অদুনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতগী কন্সলটেন্সন পাঙথোকসি য়ারকখিদবা অমদি য়ুএসপু রসিয়াগী সাইটশিং ইন্সপেক্সন তৌবা য়াহনখিদবা অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু ট্রিটি অসিগী মখাদা মরু ওইবা রাইটস কয়া শীজিন্নবদা অথিংবা লৈহল্লি। মসিদা নত্তনা য়ুএসনা ট্রিটি অদুগী সেন্ট্রেল লিমিটশিংগী মতাংদা রসিয়ানা ঙাক্লা চৎলি নত্ত্রগা চৎতে হায়বদু ভেরিফাই তৌবদসু খুদোংচাহন্দে হায়না মখোয়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রসিয়ানা অনৌবা ষ্টার্ট ইন্সপেক্সনশিং রসিয়ন টেরিটরিদা পাঙথোকপদা খুদোং চাহনবগা লোয়ননা ট্রিটি অসিগী ইমপ্লিমেন্টসন বোদিদা হল্লক্তুনা ট্রিটি অদুগী মখাদা য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্লনবা ঐখোয়না মোস্কোদা আপিল তৌরি হায়না নাটোনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, চহী অমরোমগী মমাঙদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুটিননা রসিয়ন ট্রুপশিং য়ুক্রেনদা থাজিনখিবদগী মহাক্না অসিগুম্বা খুৎলায়শিং থাঙৈ শেংনা মহাক্ন া শীজিন্নরক্দ্রা হায়বগী মতাংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা চিংনবা কয়া পোকহন্দুনা লাকখিবনি।

# পিছ দিল মতুংদা অহানবা ওইনা ইথিওপিয়াগী পিএমনা টিগ্রে রিজনগী লুচিংবশিংগা উনখ্রে

অদিস অবাবা, ফেব্রুৱারী ৪ (এজেন্সী):
নেসনেল গভর্ণমেন্টগা পিছ দিল অমা খুৎয়েক পীনদুনা চহী অনী চুপ্না শোক্লখিবা লান লোইশিনহনখিবা মতুং অহানবা ওইনা ইরাই নুমিত্তা ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা টিগ্রে রিজন ফোর্সেসকী সেনিয়র লিদরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শানখ্রে হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা ব্রোদকাষ্টরনা হায়রি।



ইথিওপিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন্না মসিগী ত্বিটর একাউন্টদা হায়খি, মদুদি পিএম অবি অমসুং অতৈ ওফিসলশিংনা ঙসি মীফম অমা পাঙথোকখি অমসুং মখোয়না পিছ প্রোসেসকী প্রোগ্রেসকী মতাংদা টি পি এল এফকী দেলিগেসনগসু ৱারী শানখি।

নাকল অনীগী মরক্তা লান লেপ্পুনা ৱারী শানখিবা অদুনা মরম ওইরগা পিএম অবিনা ফ্লাইট হেনগৎহনবা, বেঙ্কিংগী থবক মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহনবা অমসুং থাজনবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা মীচমশিংদা হেন্না খুদোংচাহনবগা মরী লৈনবা ৱারেপ কয়া লৌখি।

পনবা য়াবদি, অদিস অবাবা গভর্ণমেন্ট অমসুং টিগ্রে পিপলস লিভরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) না হৌখিবা নবেম্বরদা এগ্রিমেন্টশিং খুৎয়েক পীনদুনা নাকল অনীগী মরক্তা হোষ্টিলিটিশিং তুংকোইনা লেপ্পা অমদি মীওই লিশিং কয়া শিহনবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনহনখিবা লান অদু লেপ্পগী ৱাফম য়ানখি।

ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদু নাকল অনীগী মরক্তা লান হৌখিবদগী নোর্দন টিগ্রে রিজন সেনিয়র এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগা লোয়ননা পাঙথোকপা অহানবা মীফম্নি। লান অদু মরু ওইনা টিগ্রে অমসুং অতৈ লমদমশিংগী পোলিটিকেল এলিটশিংগী মরক্তা অমগা অমগা পেন্নদবা অমদি লমগী ওইবা য়েৎনবা কয়ানা মরম ওইদুনা থোকহনখিবনি।

ইথিওপিয়াদা মতম শাংনা ওথোরেটেরিয়ন রুল লৈরকখিবা, রেজিম হোংবদা মীশি মীনা কয়া তোইনা থোকখিবা অমদি লিশাং শিৎনা কাংখোং চাইবগী ফিভম লৈখিবনা মরম ওইদুনা চহী অনীগী লান অদু ইথিওপিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং টিগ্রে রিজনগী পোলিটিকেল লিদর কয়াগী লিচিং মখাদা শেমগৎপা ফোর্সশিংগী মরক্তা শোক্লখিবনি।

# ‘কুমজা ২০২২ দা সাউথ সুদানিষ্ট রিফ্যুজি ১৫১,২৫৬ য়ুমদা হল্লকখি’

জুবা, ফেব্রুৱারী ৪ (এজেন্সী):
সাউথ সুদানদা সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখিবগা লায়ননা কুমজা ২০২২ দা সাউথ সুদানিষ্ট রিফ্যুজি ১৫১,২৫৬ হায়নরুবা তৌদনা ময়ুম লৈবাক্তা হল্লকখি হায়না য়ুএন রিফ্যুজি এজেন্সি (য়ু এন ঐচ সি আর) না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন ঐচ সি আরগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৮ গী ওক্তোবরদা পিছ দিল খুৎয়েক পীনখিবদগী কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ফাওবদা রিফ্যুজি ৬২৭,০২৮ ময়ুমদা হল্লকখি।

সাউথ সুদানিষ্ট রিফ্যুজি ৬,৮৪৫ কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদা লৈবাক অসিদা হল্লক্লিবা রিফ্যুজিশিংগী মশিং অসি কুমজা ২০২২ গী নবেম্বর থাদা রেকোর্দ তৌখিবা মশিংগা চাংদম্নবদা য়াম্না হেনগৎলি হায়না লৌবা য়াই হায়না য়ুএন এজেন্সি অসিনা মসিগী খ্বাইদগী নৌবা অপদেটতা পনখি। রিফ্যুজিশিং হল্লকপগী অপদেট অদু সাউথ সুদানিষ্ট কেপিটেল জুবাদা রিলিজ তৌবনি।

য়ুএন এজেন্সি অসিনা হায়খি, মদুদি য়ুমদা হল্লকপা রিফ্যুজিশিংগী মশিং হেনগৎলক্লিবসি লৈবাক অসিগী মফম খরদা সেক্যুরিটিগী



ফিভম ফগৎলকপদগী রিফ্যুজিশিংনা লৈবাক অসিদা হন্নিংবা মতমদা খুদোংথীবা য়াওদনা হল্লকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফঙবদগীনি।

রিফ্যুজিশিং অদুনা মখোয়না চঙজফম লৌরিবা লৈবাকশিং থাদোকপগী মরমগী মতাংদা সাউথ সুদান শীন থুংনা রিটনিশিংগী য়ুমশিংদা চত্তুনা সর্ভে পাঙথোকখিবা য়ু এন ঐচ সি আরনা হায়খি, মদুদি সর্ভে অদুদা শরুক য়াখিবা রিটনিশিংগী চাদা ২০ না বেসিক সার্ভিসশিংগী খুদোংচাবা ৱাৎপগী ৱাফম পল্লকখি, চাদা ৬ না এমপ্লোয়মেন্ট অমসুং হিংনবগী পাম্বৈগী খুদোংচাবা ৱাৎপা অমদি চাদা ৪ না ইন সেক্যুরিটিগী ৱাফম পল্লকখি।

# টি টি পি কন্ট্রোল তৌনবা পাকিষ্টাননা টালিবানগী সুপ্রিম লিদরগী মতেং নিগদৌরি

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ৪ (এজেন্সী):
টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) টেরর গ্রুপ লাকশিন্নবা হোৎনবদা টালিবানগী সুপ্রিম লিদর মুলা হাইবাতুলা অখুনজাদগী মতেং লৌনবা পাকিষ্টাননা ৱারেপ লৌরে হায়না ওফিসল ছোর্সশিংনা হায়রি।



পেসৱারদা পাঙথোকখিবা এপেক্স কম্মিটিগী মীফম অমদা সিভিল অমসুং মিলিটরি লিদরশিপনা চয়োল অসিদা সিটি অসিদা থোকখিবা মীশি মীনাশিং অদু অথিংবা থমখ্রবা টি টি পিনা থোকহনবনি হায়বসি য়ানখিবগা লোয়ননা ৱাফম অসি অৱাংবা থাক্তা ইন্টরিম অফঘান গভর্ণমেন্টদা খঙহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

পাকিষ্টাননা মখা তানা ক্রোস-বোর্দর টেররিজমগী থৌওংশিংদা খাংদুনা লৈররোই হায়বা ময়েক শেংলবা মেসেজ অমগা লোয়ননা ইন্টরিম অফঘান গভর্ণমেন্টগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা পেসৱারগী মীফম অদুদা ৱারেপ লৌখিবনি।

পেসৱার পুলিস লাইনদা লৈবা মোস্ক অমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা সুইসাইদ বোম এটেক্কী থৌদোক অদুদা টি টি পি চেন্নদে হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখিবা লৈরবসু এপেক্স কম্মিটিদা পীখিবা ব্রিফিং অমনা এটেক অদুগী মাষ্টরমাইন্দদি অথিংবা থমখ্রবা আউটফিট অসিনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

অয়াম্বনা পুলিস পর্সনেলশিং ওইখিবা মীওই ১০০ হেন্না শিখিবা মোস্কতা চথরিবা শাথিরবা টেরর এটেক অদুগী মতুংদা খাইবর পাক্তুনখুৱা (কেপি) গী কেপিটেলদা লৈরিবা গভর্ণরগী য়ুমদা মীফম অদু পাঙথোকখি।

মীফম অদু প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাস সারিফনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবনি। মরু ওইবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা আর্মি চীফ জেনরেল সয়েদ অসিম মুনির, দিজি আই এস আই লেফটনেন্ট জেনরেল নাদিম অঞ্জুম, পেসৱার কোর কম্মান্দর, দি জি এম ও অমসুং অতৈ মিলিটরি ওফিসলশিংগা লোয়ননা সেনিয়র কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, প্রোভিন্স মরিগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা শরুক য়াখি।

মরু ওইরবা মীফম অদুদা য়াওননবা পাকিষ্টান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) দা ইনভাইট তৌখিবা ওইরবসু পার্টি অসিগী মীহুৎ অমত্তা মদুদা শরুক য়াবা লাকখিদে। মরাথোন মীটিং অদুদা সুইসাইদ বোম্মর অদুনা করম্না হাই সেক্যুরিটি জোন অদুদা চঙবা ঙমখিবনো, মহাক কনানো অমসুং টি টি পিনা ইনৌ নৌনা অকিবা পীরকপদা গভর্ণমেন্টনা করম্না রেস্পোন্দ তৌগদগে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং কুপ্না খন্নখি। মীফম অদুদা পীখিবা ব্রিফিং অমদা টি টি পিনা তশেংনমক পেক্ট অদু পাঙথোকখিবনি হায়না পনখি।

# জপানদা ফ্লুগী কেস মশিং লাইচৎকী ৱার্নিং লেভেল য়ৌরে

টোকিও, ফেব্রুৱারী ৪ (এজেন্সী):
জনুৱারী ২৯ দা লোইখিবা চয়োলদা জপান শীন থুংনা ফ্লু পেসেন্টশিংগী মশিং চহী অহুমগী মনুংদা অহানবা ওইনা লাইচৎকী ৱার্নিং লেভেলশিং য়ৌখি হায়না থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অসিগী হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফেক্সস দিজিজেসনা রিলিজ তৌবা দেটা মতুং ইন্না জপান শীন থুংবগী ওইনা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসন অমদা লৈরিবা পেসেন্টশিংগী মশিং চাংচৎতা ১০.৩৬ য়ৌদুনা ইন্সটিট্যুসন অমগী বেঞ্চমার্ক লেভেল তরাগী ৱার্নিং লেভেল অসিদগী হেনখি। ৱার্নিং লেভেল হায়বসিনা লাক্লিবা চয়োল মরিগী মনুংদা লৈবাক অসিদা ফ্লুগী লাইচৎ অমা লাকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পী হায়রি।

দেটা অদুগী মতুং ইন্না নুমিৎ তরেৎনিগী মতম অদুদা জপানগী প্রিফেকচর ৪৭ মক্তা মেদিকেল ইন্সটিট্যুসন ৫০০০ রোম চাংনাইনা মোনিটর তৌখিবদা পুন্না ফ্লুগী কেস ৫১,০০০ গী মথক্তা থেংনখি। প্রিফেকচরগী ওইনা পাবদা লৈবা হোস্পিটাল অমগী ফ্লুগী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা অসি ওকিনৱাদা লৈবা হোস্পিটালদা রেকোর্দ তৌখি।

প্রিফেকচর অসিগী হোস্পিটালদা চাংচৎতা থেংনখিবা ফ্লুগী কেস মশিং ৪১.২৩ নি। মদুগী মতুংদা লায়না অসিগী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনবা অনীশুবা প্রিফেকচরনা ২৫.৮৩ গা লোয়ননা ফুকুই প্রিফেকচরনি। মথংদা ২.২৪.৩৪ গা লোয়ননা ওসাকা অমসুং ২১.৭০ গা লোয়ননা ফুকৌকা প্রিফেকচরনা মথংদা লৈখি। কুমজা ২০২১ অমসুং ২০২২ দা কোভিদ ১৯ লাকশিন্নবগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংনা ফ্লু ইনফেক্সনশিং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙমখ্রবা মতুংদা হৌজিক মহৌশাগী চহীশিংগা মান্নদবা মওংদা ফ্লু ইনফেক্সনশিং মখা তানা শন্দোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না জপানিজ এক্সপার্টশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

# হোংকোং অমসুং মেনলেন্দ চাইনাগী মরক্তা ফেব্রুৱারী ৬ তগী মপুং ফানা চখোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লগনি

হোংকোং, ফেব্রুৱারী ৪ (এজেন্সী):
হোংকোং অমসুং মেনলেন্দ চাইনাগী মরক্তা ফেব্রুৱারী ৬ তগী মপুং ফানা চখোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লগনি হায়না হোংকোংদা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমদা হোংকোং গভর্ণমেন্টনা হায়খি, মদুদি হোংকোং অমসুং মেনলেন্দগী মরক্তা মহৌশাগুম চখোক চৎশিন তৌবা য়াহনবগী এরেঞ্জমেন্টশিং অদুদা নুমিৎ খুদিংগী ওইবা প্রিস্ক্রাইব তৌবা মী মশিং লৈহন্দনা বাউন্দরি কন্ট্রোল পোইন্ট পুম্নমক হাংদোকপা, প্রি-দিপার্চর কোভিদ ন্যুক্লিদ এসিদ টেষ্ট মথৌ তাহন্দবা অমসুং ক্রোস-বাউন্দরি মহৈরোয়শিংবু মওং মরিল তানা ফিজিকেল ক্লাসশিং হৌহনবা য়াওরি।



এরেঞ্জমেন্টশিং অদু বৈজিং গভর্ণমেন্ট, গ্বাংদোং প্রোভিন্সিএল গভর্ণমেন্ট অমসুং সেঞ্জেন ম্যুনিসিপল গভর্ণমেন্টগী মরক্তা খন্নরগা অমদি তান্নরগা লাকখিবনি হায়না ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। হৌজিক তোঙান তোঙানবা বাউন্দরি কন্ট্রোল পোইন্টশিং ওপরেট তৌবগা লোয়ননা লোবু কন্ট্রোল পোইন্ট, লো মা চাও/হুৱুংগাং কন্ট্রোল পোইন্ট অমসুং চিয়ুং য়ুৱেন/লিয়াংতাং কন্ট্রোল পোইন্টসু নোর্মেল ওপরেটিং মতমশিংগী মনুং চন্না পেসেঞ্জর ক্লিয়ারেঞ্জ সার্ভিসশিং মপুং ফানা লৈহন্নবা হাংলগনি।

হোংকোংনা মেনলেন্দগী ক্রোস বাউন্দরি মহৈরোয়শিং সিটি অসিদা লাকহন্দুনা তাঙ্কক অনী থোক্লা ফিজিকেল ক্লাসশিং য়াওবা হৌহল্লগনি। অহানবদা ফেব্রুৱারী ৮ দগী হৌরগা সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিং মেনলেন্দগী সিটি অসিদা লাকপা য়াহল্লগনি অমসুং মদুগী মতুংদা ফেব্রুৱারী ২২ দগী প্রাইমারি স্কুল, কিন্দরগার্টেন অমসুং স্পিসল স্কুলগী মহৈরোয়শিং লাকপা য়াহল্লগনি।

হোংকোংগী চীফ একজিক্যুটিব জেনলিনা হায়খি, মদুদি জনুৱারী ৮ দা মেনলেন্দ অমসুং হোংকোংগী মরক্তা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা বোর্দর হাংবা হৌখিবদগী হোংকোংগী বিজিনেস, রিটেল অমসুং কেটরিং ইন্দষ্ট্রিশিংনা অহেনবা ভিজিটরশিং ৱেলকম তৌনবা শেম শাদুনা লৈরি। লিনা হায়, ক্রোস বাউন্দরি ট্রাবেল মপুং ফানা অমুক হৌহনবগা লোয়ননা কুমজা ২০২৩ দা হোংকোং অসি শেল থুম অমদি হিরম খুদিংমক্তা শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলক্লগনি।

# বালটিক পিএমশিংনা রিজনেল সেক্যুরিটি খন্নখ্রে

টালিন, ফেব্রুৱারী ৪ (এজেন্সী):
বালটিক লৈবাক অহুম লাটবিয়া, লিথুএনিয়া অমসুং ষ্টোনেয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রিজনেল সেক্যুরিটিগী মতাংদা খন্নখ্রে।

টালিনদা ইরাই নুমিত্তা লুচিংবা অহুমগী মীফম লোইরবা মতুংদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙখিবা লাটবিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর কৃষ্ট জানিস কারিন্সনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনদা মতুং তারকপা মতমদা পীবা য়াবা সপোর্ট পুম্নমক পীগনি। লাটবিয়াগী মায়কৈদগী য়ুক্রেনদা পীবা দোনেসনশিং অসি হৌজিক লৈবাক অসিগী জিদিপিগী চাদা ১ য়ৌরে।

কালেনগী মতমদা লিথুএনিয়াগী বিলনেসতা পাঙথোক্কদৌরিবা নাটোগী সম্মিটতা বালটিক সেক্যুরিটি অমসুং দিফেন্স হেন্না ফগৎহনগদবা ৱারেপ কয়া লৌরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লিথুএনিয়াগী পিএম ইঙ্গ্রিদা সিমোনিটেনা টালিনগী মীফম অদু য়াম্না কান্নে হায়না ফোঙদোকখি।

# য়ুক্রেন অমসুং ইয়ুনা নাকল অনীগী মরী অমসুং কোওপরেসন হেনগৎহনবগী ৱাফম জোইন্ট সম্মিটতা য়ানখ্রে

কিভ, ফেব্রুৱারী ৪ (এজেন্সী):
রসিয়ানা কিভকী মায়োক্তা লান কন্না চথরিঙৈ মরক্তা য়ুক্রেন অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না কিভতা জোইন্ট সম্মিট অমা পাঙথোক্তুনা বাইলেটরেল মরী অমসুং কো ওপরেসন হেনগৎহনবগী ৱাফম য়ানখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা ২৪ শুবা য়ুক্রেন-ইয়ু সম্মিট মতুংদা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকি, য়ুরোপিয়ন কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট চালস মিচেল অমসুং য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা বোন্দেরলিয়নগী ওইবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্সিএল প্রেস সার্ভিসনা ফোঙখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না য়ুক্রেন অমসুং ইয়ুনা মখোয়গী মরী মখা তানা চেৎশিলহনবগী ৱাফম য়ানবগা লোয়ননা য়ুক্রেনবু ব্লোক অসিদা মখা তানা ইন্টিগ্রেসন তৌহনবগী ৱাফমসু য়ানখি। পার্টিশিংনা কুমজা ২০১৭ গী সেপ্টেম্বর ১ দা চৎনবা হৌখিবা এসোসিএসন এগ্রিমেন্টগী পোটেন্সিএল মপুং ফানা শীজিন্নবা লেপ্পে হায়নসু ফোঙদোক্লখি।



এগ্রিমেন্ট অদু নাকল অনীগী মরক্তা ইকনোমিক অমসুং লল্লোন ইতিক্কী পার্টনরশিপ চেৎশিলহন্নবগী ফিভমশিং লাকহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা চৎনহনখিবনি। য়ুক্রেনবু ইয়ুগী ইন্টর্নেল মার্কেট অয়েৎ অপন লৈতনা শীজিন্নবা ঙমহন্নবগীদমক্তা দিপ এন্দ কম্প্রিহেন্সিব ফ্রি ট্রেদ এরিয়া ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা কিভ অমসুং ব্রসেলসনা কোওপরেসন পীনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মসিদা নত্তনা য়ুক্রেননা লৈবাক অসিগী ইন্দষ্ট্রিগী পোথোকশিং অমসুং চিঙ্গাকশিংগী কোটাশিং অমসুং টেরিবশিং মুথৎকদৌরিবা টেম্পররি প্রিফরেন্সিএল ট্রেদ রেজিম মখা তানা শাংদোক্লবা হায়জরিবদু ইয়ুনা খন্নরগনি। প্রিফরেন্সিএল ট্রেদ রেজিম অদুগী মতম জুন ৫ দা লোইগদৌরিবনি।

ইয়ুনা জেলেন্সকিগী পোইন্ট তরাগী ওইবা পিছ প্লান অমদি পিছ ফোর্মুলা সম্মিট অমগী ৱাফম সপোর্ট তৌগনি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

ইয়ুনা কিভকী অপাম্বা মতুং তানা মখা তানা পোলিটিকেল অমসুং মিলিটরি সপোর্ট পীগনি হায়বা ইয়ুগী ৱাফম্বু য়ুক্রেননা তরাম্না ওকখি। ইয়ুনা য়ুক্রেনদা পীবা মতেংগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন পিছ ফেসিলিটিগী মখাদা পীবা য়ুরো বিলিয়ন ৩.৬ হেনবগী মিলিটরি এসিষ্টেন্স য়াওরিবনি।

মসিদা নত্তনা অহানবগী ওইনা কুমজা ২০২৩ দা য়ুক্রেনিয়ন লান্মী ৩০,০০০ ট্রেন তৌনবা ইয়ু মিলিটরি এসিষ্টেন্স মিশনসু লোঞ্চ তৌবা অসিসু ইয়ুনা কিভতা পীগদৌরিবা মতেংগী মনুং চনগনি।

ওফিস ওফ দি
ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন
খঙহঞ্জবা/খঙহঞ্জবা
তাং ০২-০২-২০২৩

No. IMC/85/RO/SR/2015-17 (Pt-IV) ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ ২৭ গী মনুংদা লৈবা শোপ কিপ্পর্স/দুকান ফম্বীরিবশিংগী মায়কৈদা করিগুম্বা খরা খঙহঞ্জরি। মদুদি "Imphal Municipal Corporation (Registration and Licensing of Shop) Bye-Laws 1998" গী মখাদা Imphal Municipal Corporation দগী Shop Licence লৌবীখ্রবশিংনা Shop Licence লৌখ্রিবা নুমিত্তগী থারগা চহী অমা ফাবগা ইশাগী Shop Licence অদু রিন্যু তৌগদবনি। করিগুম্বা 90 days গী মনুংদা রিন্যু তৌদ্রবদি "Imphal Municipal Corporation (Registration and Licensing of Shop) Bye-Laws 1998" গী Section 4(c) গী মতুং ইন্না ইশাগী লাইসেন্স অদু ভেলিদ ওইদ্রে হায়না লৌগনি।

কোর্পোরেসন্না কোল্লিবা ৱার্দ ২৭ গী মনুংদা লৈবা লৈকায় অমদি লৈরক মনুংদা শোপ লাইসেন্স পায়দনা দুকান ফম্বীরিবশিংনা ইচল ইনাওশিংনা শোপ লাইসেন্স লৌবীয়ু, করিগুম্বা লৌদবা তারবদি দুকানশিং অদু থোং লোনবগী থবক চথরগনি।

Sd/- Ksh. Gyanendra Singh
Asstt. Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-P/8005/3&5